# টেররিষ্ট গ্রুপশিং পাকিস্তানদা ওপরেট তৌই হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙল্লে ঃ য়ুনাইটেদ কিংদম



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী): পাকিস্তানদা টেররিষ্ট গ্রুপ কয়ামরুম ওপরেট তৌরি হায়না পল্লদুনা য়ুনাইটেদ কিংদমনা হায়খ্রে মদুদি ফাইনান্সিয়ল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ)না এক্সন লৌখৎলক্তনবা ইস্লামবাদনা টেররিজম লাকশিন্নবা হোৎনগদবনি।

রাইসিনা দাইলোগ ২০২০দা ৱা ঙাংখিবদা য়ু কেগী ফোরেন অমসুং কম্মনৱেলথ ওফিস দিরেক্টর ফোর সাউথ এসিয়া ওইরিবা গরেথ বেলিনা হায়খি, পাকিস্তাননা থৌরাং খরা লৌখৎলক্লে হায়বগী খুদম ফংলে। অদুম ওইনমক টেররিজমগী মায়োক্তা মতিক চাবা থৌরাং কয়া মরুম লৌখৎপা মথৌ তারি। পাকিস্তানগী লমখৈ মনুংদা টেররিষ্ট গ্রুপ কয়ামরুম ওপরেট তৌদুনা লৈরিবা মরম্না সাউথ এসিয়ন রিজনদা খুদোংথিবা মায়োক্নহল্লে হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

কুমজা ২০১৮দা এফ এ টি এফনা পাকিস্তানবু গ্রে লিষ্টতা থমখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী থা ফাওবগী মনুংদা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখি। করিগুম্বা ৱাফম অসি থৌশাদবা তারবদি ইস্লামবাদপু ব্লেক লিষ্ট তৌরকপা য়াই।

মিদল ইষ্ট রিজনদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা বেলিনা হায়খি, অথুবা মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইরাননা ইন্টর্নেসনল লোগী মখাদা য়াশিন্নবা পুরকপা মথৌ তাই। থা অসিগী হৌগৎলকপদা ৱাশিংটননা বাগদাদ ইন্টর্নেসেল এয়রপোর্টতা দ্রোন এটেক চথুদুনা ইরানগী মকোক থোংবা জেনরেল অমা হাৎখিবদগী হৌজিক হৌজিক য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা টেন্সন ৱাংনা লৈরিবনি।

চৈরকসিদা বৃটেননা কাউন্টর টেররিজমগী মতাংদা ইন্দিয়াগা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে। টেররিজমগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংশিংগী মতাংদা বেলিনা হায়খি, বৃটেনগী লৈহাওদা টেররিষ্টশিংনা ১৯লক হন্না এটেক চথনবা হোৎনরকখিবদা মায় পাকহনখিদ্রে। রিজন অসিদা ইং তপ্পা পুরক্নবগী পান্দমদা অফগানিস্তাননা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎপা মথৌ তারি।

অফগানিস্তাননা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদ্রবা তারবদি রিজন অসিদা ইং তপ্পা ফিভম লৈহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙল্লোই হায়নসু বোলিনা ফোংদোকখি। পাকিস্তাননা ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা এটেক চথনবা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎলক্লে হায়না মমাংদা ইন্দিয়ানা মরাল শিখ্রবনি। খা নোংপোক এসিয়াদা ইং তপ্পা ফিভম লৈহন্নবা হোৎনবদা পাকিস্তানগী থৌদাং চাওই হায়নসু ইন্দিয়ানা ফোংদোকখি।

# নিরভয়া কেস ঃ তিহার জেলনা শিবগী চৈরাক পীনবগী অনৌবা মতম খঙহল্লক্নবা হায়খ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী): নিরভয়া কেসকী কনভিক্ট ৪ থৌরি য়ানগদবা নুমিৎ ৫নি ৱাৎলিঙৈদা দিল্লিগী তিহার জেলনা শিবগী চৈরাক পীনবগী মতাংদা অনৌবা মতম অমা লেপ্পক্নবা খঙহনখ্রে।

কনভিক্টশিংনা মর্সি পিটিসন ফাইল তৌরকখিবা মরম্না লেপ্পখিবা মতমদা থৌরি য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীবা য়ারোইদৌরি। মমাঙ চয়োলদা দিল্লিগী কোর্ট অমনা পীখিবা ৱায়েল মতুং ইন্না জন্যুৱারী ২২গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা কনভিক্টশিং- মুকেস সিংহ, বিনয় শর্ম্মা, অকসয় সিংহ অমদি পৱন গুপ্তবু তিহার জেলগী কা অমদা থৌরি য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎলম্বনি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মুকেস সিংহনা মর্সি পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখি। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা পিটিসন অদু রিজেক্ট তৌখিবা তারবসু য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৪নিগী মতম ফাওবদি পীবা মথৌ তারি। কনভিক্টশিং থল্লিবা তিহার জেলগী ওফিসলশিংনা ঙসি দিল্লিগী কোর্ট অমদা হায়খি মদুদি, থৌরি য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীনবগী মতাংদা নৌনা মতম লেপ্পক্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা খঙহনখ্রে।

কোর্টনা হায়খি, জন্যুৱারী ২২দা শিবগী চৈরাক পীগনি হায়রবসু মর্সি পিটিসন ফাইল তৌরকখিবা মরম্না নুমিৎ ১৪নিগী মতম পীবা মথৌ তাবনা হান্না লেপ্পখিবা নুমিৎতা থৌরি য়ানবা য়াররোই। জেলগী ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেটস রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কদবনি হায়না কোর্টনা খঙহনখি।

কনভিক্টশিংনা তোঙান-তোঙান্না মর্সি পিটিসন ফাইল তৌখিবনা মরম ওইরগা লোগী থবক থৌরমদা চাওনা অপনবা থোক্লে। কনভিক্ট অমগী মর্সি পিটিসন রিজেক্ট তৌখিবসু অতোপ্পা কনভিক্ট অমনা অমুক পিটিসন ফাইল তৌরকপা য়াই। লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টনা মুকেস অমদি বিনয়গী ক্যুরেটিব এপ্লিকেসন দিসমিস তৌখ্রবনি। নিরভয়াগী অপোকপীনসু মুকেস সিংহগী মর্সি পিটিসন রিজেক্ট তৌবিনবা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দদা হায়জখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা নিরভয়াগী অপোকপীনা হায়খি, হান্না লাউথোকখিবা মতমদা কনভিক্টশিং থৌরি য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। মুকেস সিংহগী অপোকপীনা নিরভয়াগী মমাদা খুরুমদুনা মচাগী থৱায় কনবিনবা হায়জবদা শাংলবা চহী ৭ অৱা চৈনা খাঙলকপদা মহাক্কী থম্মোয় নুঙগুম কনখ্রে হায়না নিরভয়াগী অপোকপীনা ফোংদোকখি।

কেস অসিগা মরী লৈননা মীওই ৬ ফাখিবগী মনুংদা মীওই অমা তিহার জেলদা থম্না থম্না ট্রায়ল চথরিঙৈগী মনুংদা মশা মথন্তা শিজ খ্রবনি।

# দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হজিরাগী লার্সন এন্দ টোব্রো আর্মর সিষ্টেম কমপ্লেক্সতা কে-৯ বজ্রা ফ্লেগ ওফ তৌখ্রে



হজিরা, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী): সুরটকী হজিরাদা লৈবা লার্সন এন্দ টোব্রো আর্মর সিষ্টেম কমপ্লেক্সতা ঙসি দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ৫১শুবা কে-৯ বজ্রা- টি গন ফ্লেগ ওফ তৌখ্রে।

লার্সন এন্দ টোব্রোগী ওফিসলশিংনা দিফেন্স মিনিষ্টরদা কে-৯ বজ্র- টি গনগী তোঙান-তোঙানবা তৌবা ঙম্বশিং ময়েক শেংনা উৎখি। মিনিষ্টরনা নোংমৈ অদু খিনবা গাড়ি অমদা তোংলগা হজিরা কমপ্লেক্সকী অকোইবদা চৎখি। টন ৫০ লুম্বা নোংমৈ অসিনা কিলোমিটর ৪৩ লাপ্পা লৈবা মফমদা কিলোগ্রাম ৪৭ লুম্বা বোম কাপ্পা ঙম্মী।

জিরো রেদিয়সতা লৈথোক লৈশিন তৌবা য়াবা নোংমৈ অসি লানগী মতমদা য়েক্নবগা লম্বা পাবদা খুদোংচাগনি হায়না লার্সন এন্দ ট্রোব্রোগী ওফিসলশিংনা ফোংদোকখি। কুমজা ২০১৭তা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা লুপা ক্রোর ৪,৫০০ চঙনা লার্সন এন্দ ট্রোব্রোদগী নোংমৈ ১০০ লৈনবা কনট্রেক্ট খুৎয়েক পীনখি। থা ৪২গী মনুংদা কে ৯ বজ্র ১০০ খুৎশিন্নরক্নবা থৌরাং তৌরি।

অনৌবা মতমগা চুন্নরবা খুৎলায় অসি লৈরবা মরম্না ২১শুবা চহীচাদা শোক্নবা লানফমশিংদা ইন্দিয়ান আর্মিনা য়েক্নবগী লাম্নীশিংবু লাকচবা ঙম্লগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোংদোকখি। দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি, মেক ইন ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা লৈঙাক্না তোঙান-তোঙানবা তৌরাং কয়া লৌখৎতুনা মপান লৈবাক্তা নোংমৈ খ্বাইদগী য়াম্না য়োনবা ঙম্বা লৈবাক ওইনবা হোৎনরি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা দিফেন্স মেন্যুফেকচরিংদা লাইসেন্স পীবগী থৌওং লাইথোকহল্লে, দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিএল কোরিদোর অনী শেমগৎলে অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সতা দিফেন্স ইনভেষ্টর সেল অমা হাংদোক্লে হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা কম্পেনিগী সিনিয়র একজিক্যুটিব প্রসিদেন্ট জে দি পতিল অমদি কম্পেনিগী চেয়ারমেন এ এম নাইকসু শরুক য়াখি।

# মুম্বাইদা খিনগদবা বি আর অম্বেদকরগী মীতমগী অৱাংবা ফুট ১০০ হেনগৎহন্নবা মহারাষ্ট্রগী কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে



মুম্বাই, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী): মুম্বাইগী ইন্দু মিলস কম্পাউন্দদা খিনগদবা বি আর অমবেদকরগী মীতমগী অৱাংবা ফুট ১০০ হেনগৎহন্নবগী মতাংদা মহারাষ্ট্রগী কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে। লুপা ক্রোর ১০৮৯.৯৫ চঙনা অমবেদকরগী অৱাংবা মীতম অমা খিন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

কেবিনেটনা লৌখিবা অতৈ মরু ওইবা ৱারেপশিংগী মনুংদা মুম্বাইগী ইষ্টর্ন ফ্রি ৱেবু লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর বিলাস রাও দেসমুখকী মিং লৌরগা মিংথোল পীবা অমসুং সিব সেনাগী লুচিংবা বাল থাকরেগী মিংদা এগ্রিকলচর বিজিনেস এন্দ রুরেল ট্রান্সফোর্মেসন প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপগী ৱাফম য়াওরি।

দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর অজিৎ পাৱরনা হায়খি, অহানবদা ফুট ২৫০ ৱাংহনগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা অমবেদকরগী মীতম অদু ফুট ৩৫০ য়ৌনা ৱাংহল্লগনি। লুপা ক্রোর ৭০০ চঙনা থৌরাং অসি পায়খৎকনি হায়না লেপ্পখ্রবসু কেবিনেটনা প্রোজেক্ট অসিদা লুপা ক্রোর ১০৮৯.৯৫ শীজিন্ননবা অয়াবা পীখি। ফাইনান্সকী পোটফোলিওসু পায়রিবা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরনা প্রোজেক্ট অসি চহী ২গী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিনগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোংদোকখি।

মহাক্না হায়খি, অমবেদকরগী মীতম খিনবগা লোয়ননা লাইব্রেরি ১, রিছোর্স সেন্টর ১ অমসুং মীওই ১০০০গী কেপাসিটি ওইবা ওদিটোরিয়ম অমসু শেমগৎলগনি। নোংম-নিনিগী মনুংদা প্রোজেক্ট অসিগী মথৌ তাবা ক্লিয়রেন্স পুম্নমক লৌরগনি। সোসল জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা থৌরাং অসি লৌখৎপদা য়েংশিনগনি। অদুবু মুম্বাই মেট্রোপোলিটান রিজন দিসভলপমেন্ট ওথোরিটিনা প্রোজেক্ট অসিগী নোদেল এজেন্সী ওইগনি হায়রি। পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫গী ওক্টোবর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বি আর অমবেদকরগী মীতম খিন্নবগী প্রোজেক্ট অসি উরেপ উয়ুং তমখিবনি।

# স্রিনগরদা রিপব্লিক দে মাংওইননা টেররিষ্টশিংগী এটেক অমা মাংজৌননা থিংবা ঙমহৌরে



স্রিনগর, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী): জাইস-ঈ-মহমদনা স্রিনগরদা রিপব্লিক দে মাংওইননা এটেক চথনবা হোৎনরকখিবদা পুলিসনা মাংজৌননা থিংবা ঙমহৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোংদোকখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা হায়খি, থৌদোক অসিগা মরী লৈননা টেররিষ্টনি চীংনবা মীওই ৫ ফাখিবগা লোয়ননা পোকখায়হন্নবা মচাক মথুম কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙল্লে। স্রিনগর পুলিসনা ফাগৎলবা জাইস-ঈ-মহমদকী টেররিষ্ট ৪দগী ৱাকি টোকি, বোম য়াওবা বেল্ট, দিটোনেটর, জে লাটিন ষ্টিক অমদি নাইত্রিক এসিদ য়াওবা বোট্টলশিং ফঙবা ঙমখি।

হন্দক্তা হজরতবাল এরিয়াদা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক চথুরকখিবগী থৌদোক অনীদা হায়রিবা মীওইশিং অসি চেন্নরম্বা থেংনরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। ওগষ্ট ৫দা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খাইদোকখ্রবা মতুংদা থল্লকখিবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী অথিংবা পুন্নমক লৌথোকপগী থবক পায়খৎপা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথনবা হোৎনরম্বগী ৱাফম খঙবা ঙমখিবনি।

# মধ্য প্রদেশতা মীওই ১৩ পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা চৈরাক পীখ্রে

বেতুল, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী): মধ্য প্রদেশকী বেতুল দিষ্ট্রিক্টতা চহী ১৪ শুরবা ত্রিপল মর্দর কেস অমগা মরী লৈননা মীওই ১৩ পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা স্পেল কোর্ট অমনা ৱায়েল পীখ্রে।

প্রোজিক্যুসনগী ওফিসল অমনা হায়খি, স্পেসল জজ রাকেস মোহন প্রধাননা মরাল লৈরবা মীওই ১৩ পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখিবনি। কুমজা ২০০৬কী সেপ্টেম্বর ৯দা থোকখিবা মী হাৎপগী থৌদোকশিংগী মতাংদা মীওই ১৭ মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল চথরকখি। ট্রায়ল চথরিঙৈগী মনুংদা মীওই ২ লৈখিদ্রে। অতোপ্পা মীওই অনীনা হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি।

সিনিয়র এদভোকেট সসিকান্ত নাগ্লেনা হায়খি, মরাল লৈরবা মীওইশিং অসিনা শিঙজং অমদি থাঙনচিংবা খুৎলায় পায়রগা অল্লা বজারদগী খটপা খটেদা খুঙ্গং তন্না লাকখি। মীওইশিং অদুনা লোহার ফেমিলিদা এটেক চথুদুনা মীওই অনী খুদক্তা হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অমা শোকহনখি। ফিভম থিনা শোক্নবা মীওই অদু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ট্রায়ল চথরকপদা মীওই ১৩ ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২ (মর্দর অমসুং সেক্সন ৩০৭ (এটেম্প টু মর্দর)গী মখাদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোক্তুনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা খঙহনখিবনি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ৱাফম য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা পুখৎনবা থৌরাং য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী): পাকিস্তাননা চাইনাগী মতেং লৌরগা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ৱাফম পুখৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপবু ইন্দিয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী স্পোক্স পার্সন রবিস কুমারনা হায়খি, মতম পুন্নমক্তা পাকিস্তানগা চৎমিন্নরিবা চাইনানা মালেমদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম কুপ্পা য়েংশিনবা মথৌ তাই। য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ৱাফম অসি পুখৎপা মরম চাদে হায়না অতৈ অতোপ্পা মেম্বর লৈবাকশিংনসু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রবনি।

সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পর্মনেন্ট মেম্বর ওইরিবা লৈবাক ৫দি চাইনা, ফ্রান্স, রসিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রসিয়ানি। মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা হায়খি, চাইনানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ৱাফম পুখৎনবা হোৎনরকপদা অতোপ্পা মেম্বর লৈবাকশিংনা ৱাফম অসি ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা য়ান্নবা পুরক্কদবা মরম্না কাউন্সিলগী মীফমদা খন্নবা চুমদে হায়না মত পীনখি। ওগষ্ট থাগী মতুং তারকপদা য়ু এস সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা খন্নবা হন্দক্না অনীরক শুবনি। পাকিস্তানগী থৌইনশিনদগী চাইনানা অনীরক হন্না ৱাফম অসি পুখৎনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে।

---


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref :- Mut. Case No. 23 of 2020 Dt.15/01/2020**

App :- Elangbam Dhananjoy Meitei S/o (L) Gulap Meitei of Sugnu

-Vrs-

Opp:- (Late) Aheibam Angou Singh S/o (L) Tonjao Singh of Sugnu

**NOTICE**

Dated 15th January, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী খুল নং ৯১-শুগ্নু পাট্টা নং ৫১, দাগ নং ২৩৯৪, এরিয়া ০.৩৩ একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথ্রজগনি।

HL-P/5970/17 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Waikhong**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref :- Mut. Case No. 28/SDC/IW -L/2020**

Laishram Tombi Singh S/o (L) Laishram Jati Singh of Iroishemba Lourembam Leikai. ...*Petitioner*

-Vs-

(Late) Laishram Jati Singh of (L) Uthan Singh of Iroishemba Lourembam Leikai. ... OP/Party

**NOTICE**

15/01/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইশ্রম জাতি সিংহ পীতা মৃত উথান সিংহ সাং ইরোইশেম্বা লৌরেম্বম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ১০৫ - লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ২৫, দাগ নং ১১৫৩গী এরিয়া ১.১৪০০০ চাউবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা কনাগুম্বা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/5658/17 ***Sd/- BC to SDC-IW/Lamsang***

**মিং অমদি শাগৈ ওঞ্জরে**

শ্রীমতি হিজম চাওবা দেবী পীং অসেম থোম্বা সিংহ সাং ৱাইখোং নিংথৌমনাইদা লৈবী ঐহাক অসি স্কুল সার্টিফিকেটকী মতুংইন্না ঐহাক্কী বাবাগী শাগৈ লৌজরগা অসেম রোমিকা দেবী পীং অসেম থোম্বা সিংহ হায়না মিং অমদি শাগৈ ওঞ্জরে।

**হায়জরিবী : অসেম রোমিকা দেবী**

**ৱাইখোং নিংথৌমনাই**

HL-P/5977/17

**LOST! LOST! LOST!**

I have lost my Wallet containing Aadhaar Card, PAN Card, College ID Card, Driving Licence and Some Cash on the way between Tera Bazar and Sagolband on 8/01/2020. If anybody happens to find it, kindly inform to the undersigned.

**Sd/- Thounaojam Dhanakanta Singh**

Wangoi Leiphrakpam Mayai Leikai

HL-P/5975/17 # 7005147925

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 33/AS&SO-III Date-15/1/2020**

Lagani Devi W/o (Late) Rajkishore Prasad of Khurai Telipati. ...*Petitioner*

-Vs-

Rajkishore Prasad S/o Maniram Prasad of Khurai Telipati....*Opp.*

**NOTICE**

Imphal 16/1/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ১০০-টেল্লিপতি পাট্টা নং ১৫/অং অরিবা, ৬৩/১০৭ অনৌবা, দাগ নং ২২/১৫০, এরিয়া ০.০৪৫ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং রাজ কিশোর প্রসাদ মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৩/১/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

HL-P/5971/17 **Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-III, Manipur**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref :- Mut. Case No. 21 of 2020 Dt.15/01/2020**

App :- 1. Yumnam (Ongbi) Ibetombi Devi W/o (L) Kullachandra Singh of Bamon Leikai Khongman.
2. -do- Indramani Singh S/o (L) Kullachandra Singh of -do-

-Vrs-

Opp:- (Late) Yumnam Kullachandra Singh S/o Kaoba Singh of Bramapur Bheigyapati Leikai.

**NOTICE**

Dated 15th January, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী খুল নং ৭৪ - থোংজাও পাট্টা নং ৪২৮/৬৩৬, দাগ নং ৮৯, এরিয়া ১.৭৬ একর চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিশিংনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

HL-P/5970/17 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Waikhong**

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 672/AS&SO-VIII**

1. Moirangthem Kullachandra Singh S/o (L) Shakmu Singh of Langathel Moirang Leikai.
2. -do- Thoiba Singh S/o M. Kullachandra Singh of -do-
3. -do- Bormani Singh S/o -do- of -do-
4. -do- Ingobi Singh S/o -do- of -do-
5. -do- Ibechoubi Devi D/o -do- of -do-
6. -do- Ibetombi Devi D/o -do- of -do-

-Vs-

(Late) Co-No.1 Moirangthem Shakmu Singh S/o (L) Omar Singh of Langathel.

**NOTICE**

16/01/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল খোংজোম খুল নং ৪৫-লাংগথেল পাট্টা নং ৩০৬ (অরিবা), ৩৩৮ (অনৌবা), দাগ নং ২৪৪, এরিয়া ০.২১২০ হেক্তর চাউবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং (১) অসি মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিশিং অসিদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **K. Niranjan Singh**

Assistant Survey & Settlement Officer-VIII

HL-P/5976/17 Thoubal, Govt. of Manipur

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 28/AS&SO/TBL, dt: 9-01-2020**

1. Moirangthem Rosankumar Singh S/o Prameshwor Singh of Wangjing Purna Heituppokpi.
2. -do- Ratan Singh S/o Prameshwor Singh of -do- ...*Applicant.*

-Vs-

1. (Late) Moirangthem Bir Singh S/o Jarma Singh of Purna Heituppokpi
2. (Late) -do- Mera Singh S/o Jarma Singh of -do- ...*Opp.*

**NOTICE**

Dt. 15/01/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ১৩২-পুর্না হৈতুপপোকপী পাট্টা নং ৬৭, ৬৪ (অরিবা), পাট্টা নং ৭২ (অনৌবা), দাগ নং ১৪৪/৩০৩ এরিয়া ০.৩৫৯০ হেক্তর অমসুং দাগ নং ১৫০ এরিয়া ০.৩১০০ হেক্তর চাউবা ফৌরেল/ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং ১শুবা অমদি ২শুবা মোইরাংথেম বীর সিংহ, এম মেরা সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: কো-পাট্টাদার ১শুবা অমসুং ২শুবগী মমিং কল্লগা দংকারি (এপ্লিকান্টস) মখোয় অনীগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**

Assistant Survey & Settlement Officer,

HL-P/5976/17 Thoubal, Govt. of Manipur